# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-34

**(The Politics of Climate)**

*Script :*
**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) সনাজাউবা - স্কুল ওজা (২) সনামচা - দোক্তর
(৩) মোমোসনা - রিছার্চ স্কোলর
নুপী:- (১) লৈরেনতোন্বী - সনাজাউবগী নুপী
(২) মনিমচা - সনামচাগী নুপী

(মতম:- নুমিদাংৱাইরম, মফম:- সনাজাউবগী ময়ুম, টি.ভি. থাবগী মখোল)

লৈরেনতোন্বী :- (মনুংদগী) কৈনো মোয়তাচৌ টি.ভি.দুবু অদুক কন্না লৈখৎপিরিদুবো, নাগা লোয়না পংবা তারে খরা অমুক্তা লৈথবীয়ু।

মোমোসনা :- ঙসিসিবু করি নুমিৎনো, ঐখোয় তাচৌসে টি.ভি.দা ইংলিস মুভিগা য়েং লৈরম্মীসিবো, ঐদি ইঙক ঙক্লেনে।

সনাজাউবা :- এ! মোমোসনা ইয়াম্বদি নঙ লাকপগা অমতা খঙহৌদরে। পাউ ঙাইবা ওইনা সুম য়েংলম্বনিদা, নতৈমনা মরোল অমা টি.ভি. হৌনা থামল্লি না পংদৌরে হায়দুনা হৌজিক্তা ঙাংলমলিবনি, ইংলিস ফিলমগী মী ফুদৎনবা থীন্দৎনবসিদুম য়েংববু ফনা নুংঙাইহরি অদুনা সাউন্দসিসু খরা হৌনা লৈখৎলগা য়েংবা নুংঙাই হায়দুনা লৈখৎলগা য়েংলল্লিবনি।

লৈরেনতোন্বী :- কৈদৌরগে মোয়তাচৌ টি.ভি.গী সাউন্দদু খজিক্তং লৈথবীয়ু হায়রগা, ঐদি অহৌবা মখোলসে হেক তাবগা কোকসিসু য়াম্না চিকই, নাকোংসিসু নাবনা লোয়রে।

মোমোসনা :- তাচৌ হায়গুল্লদনা সাউন্দদু খরা কনমল্লে, খিৎতং লৈথবীয়ু, তপ্লপ তাবনা হেন্নদুম নুংঙাইবনি, হকচাংদসু শোক্তনবা।

সনাজাউবা :- হোয় হোয় লৈদ লৈথজরগে, নোয়না হায়বদা ইনজরগে, অদো ইংবনসু লোয়রে চা গ্লাস অশাবা অমতংদি থক্কেদনা লৈরেনতোন্বী।

মোমোসনা :- হায়গুল্লদনা তাচৌ ঙসি নোংমা নিনিসিদা ইংবগী চাংসি খঙহেন হেনজিনলকপদৌনা তৌই, মমাং চহিদদি অসুক য়াম্নদি ইংদবনি।

লৈরেনতোন্বী :- সে মোয় তাচৌ চা লৈজরে, মোমোসনা নঙগীসু লৈরেসে, খঙদ্রে খঙদ্রে হৌজিক্কী মতমসে ইংলগনা হেক্তা চীংশিনখৈ ইংঙি, শারগনা অমুকতোইবা লৈফম চাফমগা খঙবা জাৎ নৎতে, অইং-অশাগী চাংসে খঙহোং খঙহোং হোংবদৌনা তৌরে।

সনাজাউবা :- অদুবুদি নোংজুগী চাংসু লোয়না কাইরেদা, ঙরাংগী নোং খুতাদুবু মওং অমনি, নোংজু থাদৌনা হেক্তা নোংনা ওরো ওরো হৈথখৈ তারিদুনি নীংথমথাসিদা (চা থক্লা থক্লা হায়বা)।

মোমোসনা :- তাচৌ, ঐখোয় তয়াইনা ঙসাই ঐনা য়ুনিভর্সিটিদা লৈরিঙৈদা ফোন তৌরকঅম্বনি, তাচৌগী ফোন শুংফং ফংবা ঙমদরে হায়দুনা, তাচৌগা য়াম্না মরুওইবা ৱা অমখক তান্ননিংঙি, হোরেল তয়াইদা ফোন অমুক্তা তৌবীরকউ হায়রকপনি।

লৈরেনতোম্বী :- কৈদৌরজাৎনোনে ঐখোয় সনামচাগা মনিমচাগদুবু, করি ৱানোনে মোয়না তান্নগদবা লৈ হায়রিদুবো।

সনাজাউবা :- খঙদেনে, অসুক কুইবসে নোংমতা ঐখোয় সনামচানা ঐগা ৱা তান্ননিংঙি হায়রকপা লৈতবনি, মাদি মানা থোকপা পংতৌদা তৌবা মীদানি, করিবু তৌরজাৎনোনে, করি ওইরিজাৎনো মানা ঐগা তান্ননিংলিবা ৱাফমদুনা।

মোমোসনা :- অদো ফোন তৌরগা হংলগা খঙবা হায়বদুনি, ঐখোয় তয়াইনা ঐঙোন্দদি মরোলদি অমতা শেংনা হায়রক্তে, ঐনা হংবদসু তাচৌদা হায়দা হায়যু হায়রকই।

লৈরেনতোম্বী :- অমুক্তা থুনা ফোনদু তৌরগা হংবীয়ুনে, ঐদি পুক্লিংসে ইরাং হেক লাংঙি, ইপা হেক পাখৎলি করি ৱাবু ওইরমগদবনো খল্লুবদা, অনা-অয়েক্পা য়াওরবজাৎলা।

সনাজাউবা :- অনা অয়েক্পী ৱাদি ওইরম্লোইদা, মখোয় অনিমক মমিং লৈরবা দিল্লিগী হোস্পিটাল অমগী মমিং লৈরবা দোক্তর ঙাক্তনি, অনা-অয়েক্পী ৱাবু ঐখোয়দা তান্নসি হায়রক্কদবা নৎতে, মোমোসনা ! ফোনদু অমুক্তা দাইল তৌ।

মোমোসনা :- হোয় তাচৌ ! (ফোন দাইল তৌবা) অস ফোনসিসু নেটৱার্ক য়াদবা মাল্লে শুংফং ফংদে, অমুক্কা দাইল তৌরগা য়েংগে... এ ! হন্দকমুক্লা স্বিচ ওফ হায়রকই তাচৌ, কমায় তৌনি হোরেল কোন্না অমুক তৌরগা য়েংলসিরা?

সনাজাউবা :- হোয় হোয়, ফরে ফরে হোরেল অথেংবদা অমুক তৌরগা য়েংলসি।

লৈরেনতোম্বী :- ইস ! ইংবসিসু সুম হেনজিল্লকপদৌনা তৌইহে, চাক থোংদৌবগা তনবু তল্লে, ফৈজুপ লুমনা শুপচিনল্লগা তুম্বনদুম ফদৌ মাল্লে।

মোমোসনা :- ঐদি চরা হেনবদি ঙল্লোইকো ইতৈমা, ঐদি ঙসাইদগী চাক্তি লাম্বু লাল্লবনি, ইতৈমদা হায়বা কীবদগী হায়জদ্রবনি।

লৈরেনতোম্বী :- নঙদি চাক লাল্লগা লাম্মী হায়বা কৈদৌবগী কীদোইবা, ঐনা নোয়না হায়বদা য়াদবা, তৌদবা, পীজদবা করিবু য়াওগেনে (পুক্লিং ৱারৌনা হায়বা)।

মোমোসনা :- ঐখোয় ইতৈমাসিমা ঐনা ফাগী তৌরগা, থওইনগা শাওরিসে, ঐনা হায়বদবু ইতৈমনা য়াদবা করিবু লৈগেনে, ঙসিদি ঙা থোংবা চাসিরা ঐ ঙা লৈরুগে।

সনাজাউবা :- নঙ ঙা থোংবা চানিংলমগনি খঙবদগী নয়াম্বা ঐনা ঙসাইনা লৈরগা শেম শাদুনা থল্লবনে।

লৈরেনতোম্বী :- হয়েং অয়ুক্তসু ঙারেল হাওনা চান্নবা হাওনা থোংথরদৌনি, ইংবসিদা ঙারেলসু ফজনা ফম্লনি, ফ্রিজদা হাপ্লগা ফমহনবা ঙারেলদি হাওতে, নীংথমথাগী অইবংবসিদা মথন্তা ফমজবা ঙারেলগী মহাওসিদি খুৎসেমগী ঙারেলনগা লম্বা তৌবা ঙম্বজাৎ নৎতে।

মোমোসনা :- অদুবুদি মহৌশাগী খুৎশেমগা মীওইবা ঐখোয়না শেন্বা খুৎশেমগদি কদায়দগী চাংদম্নবা য়াগনি, হায়গুম্লদনা হন্দক্তি ইংবগী চাংসি মমাং চহিশিংদগী য়াম্না হেনগদৌরি।

সনাজাউবা :- ঙসিগী ইংবগী চাংসিবু কয়ামুক য়ৌরবগেনে, ভারতকী মফম অয়াম্বদা হৌজিক কোল্ড ৱেবকী অৱাবা মায়োক্লরি হায়না পাওদা হায়খিবগুম তৌই।

লৈরেনতোম্বী :- ঙসি মরি মঙানিসিদা ইংবগী চাংসু খঙহেন হেনজিনলক্কদৌরি হায়নসু হায়খিবনি ঙসাই অয়ুক্কী পাওদা।

মোমোসনা :- সিদা ফক্লাংদা থেৎলিবা থর্মোমিটরসিগী রিদিং মতুংইন্না হৌজিক হৌজিক্কী ইংবগী চাংসি সেন্টিগ্রেড ডিগ্রি অহুম য়ৌরে।

সনাজাউবা :- এ! অদুদি ফনদি ইংলবজাৎনিনে, লৈরেনতোম্বী নঙবু কৈদৌরিগে হৌজিকফাওবা মৈফুগদু খরা হৌগৎলকউদনা।

লৈরেনতোম্বী :- হো ঐনে মৈফুগা অমতা হৌগৎপগা ঙম্লরোই, মৈতালসু মকুম খরা লৈরিবদু নৎতনা অমতা লৈতরে, অমুক লৈরুদৌসু মৈতাল মৈ থাবদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইরবা কার্বোন মোনোওক্সাইদ গ্যাস ময়াম থাদোরকই হায়বদুদা কীদুনা মৈফু হৌগৎলরোই খন্দুনা মৈতালদু অদুম লৈরুদ্রবা।

মোমোসনা :- ঐখোয় ইতৈমসে গ্যান য়াম তারজাৎনি অদুগনে ইতৈমা ঐখোয় মীওইবগী থবক থৌরমশিং হায়বদি নুংঙাইনা হীংননবা হোৎনবদা ফোশিল ফ্যুলশিং কা হেন্না শিজিন্নবদগী গ্রিন হাউস গ্যাসশিং, কার্বোনডাইওক্সাইদ, মিথেন, ট্রোপোসফেরিক ওজোন, সি.এফ.সি.এস. (কার্বোন ফ্লুরো কার্বোনস) অমদি নাইট্রস ওক্সাইদনচিংবশিং এটমোস্ফিয়ারদা য়াওবগী চাং অসুম অসুম ৱাংখৎলক্লি। ৱার্ল্ড মেটরিওলোজিকেল ওর্গানাইজেসন (ডব্লিউ.এম.ও.) গী রিপোর্ট মতুংইন্না ইং ১৭৫০দগী কার্বোনডাইওক্সাইদ অমদি মিথেন গ্যাস এটমোস্ফিয়ারদা য়াওবগী চাং চাদা ৩৬ অমদি চাদা ১৫৮ রোম হেনগৎলে হায়না হায়রি।

সনাজাউবা :- হৌজিক মালেমসিদা গ্রিন হাউস গ্যাস য়াওবগী চাং হেনগৎলকপসিদগী গ্লোবেল ৱার্মিং থোরকপদগী ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরক্লিবনি, ইন্টরগোর্ভনমেন্টেল পেনেল ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ (আই.পি.সি.সি) গী সাইন্টিষ্টশিংগী মত মতুংইন্না মালেমগী টেম্পরেচর অসি ইং ২১০০ ফাওবদদি সেলসিয়স ডিগ্রি ১.৪দগীনা ৫.৮ ফাওবগী চাং য়ৌনা হেনগৎলকপা য়াই হায়না হায়দাইনে।

মোমোসনা :- অচুম্বনি তাচৌ, ঐখোয় মীওইবশিংনা অমতা ওইনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনহৌদ্রবদি চহি খরগী মতুংদদি অৱাবা কয়া থেংনরক্কদৌরিবনি।

লৈরেনতোম্বী :- ৰারীদা পুংসে আ য়ৌখরে, ঐ চাক প্রপ প্রপ থোংলুরগে, চাথোক্লগা ঙস্তা তুম্নবা ইংগা ইংবসিদা।

-ম্যুজিক-

(মফম: দিল্লি, মতম: অয়ুক, লৈচিল কুংনা থাবা মতম)

মনিমচা :- মোয় তায়াই হৌগৎলো থেংঙে পুং মাপল তাশিল্লক্লে, হোস্পিটাল চৎপা থেংখ্রনি।

সনামচা :- ঐদি ঙসাই অঙনবদা হৌগৎলল্লবনি, লৈচিলনা পুন্মম মল্লা থাজিনবদুদা তন্দুনা অমুক ফমুংদা চঙলগা হীপচিল্লিনি, লৈচিল থাহৌবদুবু খরা পাথখ্রবো।

মনিমচা :- কদাইদগী পাথগনোদা, হৌজিক্লবু হেন্না কুংনা থাজিল্লকপদৌনা তৌরে, ইংবনসু লোইরে মপান থোক্তুনা চৎপগা অমতা ঙমগদবা মান্দরে, স্কুল কোলেজগদি নুমিৎ হুম্নি ছুটি থাদোকখরে, ফ্লাইট, ট্রেন সার্ভিস লোয়না কেন্সেল তৌখরে, ঙসাই অয়ুক অঙনবগী পাওদা হায়খিবনি।

সনামচা :- ঐখোয়দি দোক্তরগী শিনফমদা লৈরুরবনিনা, হোস্পিটাল চৎতবদি য়ারোই, ঐদি ঙসিসে করিমতা চৎথোকনিংদ্রবনি কাসিদগী, কোকসু চীক্লি চীক্লি তৌই ঙসিদি।

মনিমচা :- ঐসু চৎতি চৎনিংদ্রবনি ঙসিসে অদুবু চৎতবদি য়াররোই ঐগীদি ওপিদিগী দ্যুতিসু লৈ, অদো মোয় তায়াই ৰা অমতা হায়গেনা।

সনামচা :- করি ৰানোনে নঙনা হায়গে হায়রিবো, নোয় নুপীগী হৌনবী ৰাকায়দি হায়রক্তনুকো।

মনিমচা :- ৰা ফাওবা হায়দ্রিঙৈদা মোয় তায়াইগী হৌনবী হৌরক্লবরা, ঐনবু ঙসি ফাওবদা করি ৰাকায় হায়বা য়াওখ্রবগে, ৰাগা হৌদোক্কদবা তল্লে হায়দা হায়জররোয়।

সনামচা :- ঐনা নুংশিদনা ফাগী তৌরগা শাওরিসে য়েংঙো, হুম, শাওববু য়াম পকচরনিনে সে কৈনো নঙনা হায়গে হায়বা ৰাদো হায়রকও ঐ তানিংবনা লোইরে।

মনিমচা :- হুম হায়ররোই, হায়রুবদা ৰা মাংদৌ মাল্লি কান্নদেসে ঐ ব্রেকফাষ্ট শেমলুখিগে, হৌগৎলো ৰাশরুম চংদৌ খোৎতৌবা চংলুরো।

সনামচা :- ঙসি নঙগী ৰাদু হেক হায়দ্রিমখৈ ঐদি ফমুংদগী শুংহৌ হেক হৌগৎলরোই, থবকসু চৎলরোই অদুম হীপ্তুনা লৈরগে।

মনিমচা :- কৈ নুপানো সিবো, হৌগৎলো হায়বনে থেংখ্রনি হায়বা থবক চৎপা।

সনামচা :- নঙনা ৰা হায়গে হায়রগা হেক্তা হায়দনা তোকপা য়াবরো, সে হায়রো হায়বনে।

মনিমচা :- অদুবুরো ঐখোয় অনিনা য়ুম থাদোক্তুনা মফমসিদা থবক তৌদুনা লৈরক্লিবসি চহি ফনা য়ামশিল্লক্লে হায়বনিদা।

| | | |
|---|---|---|
| সনামচা | :- | অদুবু ৱারনে অদুদি ইবানিমক্লা খংনরবা ৱাফমনি, প্রপ প্রপ হায়রকও হায়বনে। |
| মনিমচা | :- | ঐখোয়না লৈরিবা মফমসে মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী নুংশিৎ শেংদ্রবা সহর ১৬৫০গী মনুংদা অমনি হায়না ৱার্ল্ড হেল্‌থ ওর্গানাইজেসনগী রিপোর্ট মতুংইন্না হায়রি, ক্রোনিক রেস্পিরেটরি দিজিজ অমদি এজমানা মরম ওইরগা চাওরাক্লা ভারত্তা চহি অমদা মীওই মিলিয়ন ২.৫ রোমগী পুন্সি মাঙহল্লি। ইং ২০১৯গী নভেম্বর তাং ২৫গী সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী ষ্টেটমেন্টগী মতুংইন্না দিল্লিদা হৌজিক ওইরিবা পোল্লুসনগী মওং অসিদগীদি নরকনা হেন্না ফরে হায়না হায়খিদাইনে। |
| সনামচা | :- | হোয়নে অদু কৈদৌরগে হায়বা, ৱা অমুক কোইথোক্তুনা লৈদৌ শরুক নঙনা হায়নিলিদো কোক হেক হায়রকও কৈদৌরগে। |
| মনিমচা | :- | ঐখোয় আদা যুমদা লৈরুরসি, ঐখোয়গী মখারোমদা লৈবা ইংখোল লৌদু হাংদুনা লৈরিদুদা হোস্পিটাল অমা শারগা ইবানিগী ইখাদা দোক্তর ময়াম অমা থমদুনা অনাবা ময়াম লায়েংদুনা লৈরুরসি, সিদা মীগী হোস্পিটালসিদা সুম লৈদৌ শরুক। |
| সনামচা | :- | নঙনা খল্লিবা ৱাফমদুমক ঐসু খল্লিবনি, ঐখোয় অনিনা মফমসিদা অসুমক লৈদুনা থবক তৌগদবগী শরুক আদা ইরমদা লৈদুনা ইরমদমগী অৱা-অনা তারবা লাইরবা লাইয়েংবা ঙমজদবা কয়াবু লায়েংদুনা লৈরুরগে খল্লবনি। অদুদা...। |
| মনিমচা | :- | অদুদা কৈদৌরগে মোয় তায়াই, ঐদি মফমসিগী শেংদবা নুংশিৎ মরকসিদা কুইনা লৈনিংদ্রবনি য়ারদি খরা থুনা যুমদা হন্নবা তৌরসিবা। |
| সনামচা | :- | ইবানিনা পাংথোক্লিংলিবা থবকসে ঐখোয় তাচৌ অমদি ঐখোয় মোমোসনাগী অয়াবা য়াওদনদি পাংথোকপা য়ারোই। ঐখোয়গী লমদু ঐখোয় ইচিল-ইনাও অহুমগী মীংদা ইমানা থন্বীরম্বনি। |
| মনিমচা | :- | ইতৈইবুংঙোগা ইনাওনুপাগসু ঐখোয়না পাংথোক্কে খল্লিবা থবকসিদা হরাও-হরাও শোয়দনা য়ারক্কনি খল্লি। |
| সনামচা | :- | ঙরাং ঐখোয় মোমোসনাদদি ফোন তৌবনি, তাচৌদা ফোন তৌবদা তাচৌগী ফোনদু শুংফং ফংদবদুদা, তাচৌগা ঐগা ৱারী খরা শান্ননিংঙি হায়দনা হায়দি হায়খিবনি মঙোন্দা, ফরেসে মসি ৱাসি কোন্না তপ্না খন্নরসি, হোস্পিটাল চৎপা থেংখ্রনি লোয়শিল্লুরসি। |
| মনিমচা | :- | হোয়, হোরেল ঐ তাঞ্জা চাবদা ইচেদা ফোন অমুক তৌগে, ইচেগসু ৱারী শান্নগে ইচেনা করি হায়রক্কে য়েংগে, হয়েং তুংদা মরৈ তৌরক্কদোইসে ইচেনি অতৈদি কনাসু করিসু হায়রকওই, অফবা থবক তৌগে হায়বদা হরাও-হরাও লোয়না য়ারক্কনি। |

সনামচা :- উম, নোয় নুপীগী হৌনবী অমুক হৌরকঅবরা, ফরেসে ঙসিগীদি ৰারীসে শ্বাইদসুম তেনসিল্লসিনে মনিমচা, নোয় নুপীসে লাইরিক ফনায়াম হৈরসু, মতিক ফনা য়াম চারসু পুকচেলদি অদুম মপীকইনে।

-ম্যুজিক-

(মফম: সনাজাউবগী য়ুম, মতম: অয়ুক, রেডিও খোংবগী মখোল)

সনাজাউবা :- ঙসিগী খবরদুবু কদায়দা লৈখ্রজাৎনোনে, স্বাইদসু তাদেনে, হায় লৈরেনতোন্বী খবর পীরমদ্রবো ঐখোয়গী খবর লৈতেনে, খবর লাকত্রবো হায়বনি (খঙলাও লাওবা)।

লৈরেনতোন্বী :- কৈনো অদুক কন্না লাওকইদুবো খঙবু খংঙীনে ঐদি, স্বাইদা হৌজিক্তা ঐবু থল্লমদাইনে খবরদু, কদোমদা লৈখ্রগেনে তৌরিসে ... এ সিদা তা লৈরে... মোয় তাচৌগী হৌনবী থীদি থীদনা হান্না হেক্তা লৰায় লেম্ফুদা লাকপগী হৈনবীসিদি ঐদি য়াম হৈনদেবো।

সনাজাউবা :- এ ! করি ৰাঙাংনো অদুদি উদবগী হংবনি, উরদবু নঙোন্দা অমুক হংখিদরো, ঙন্তানা ঙসিসে খোইদৌ শাওগৎতোরে, খবর ঙহাক্তা মেন তানা পাগে তৌবসে... (ফোন রিং লাকপা) ... কনানোনে ওন্থোক্লা তাঞ্জা চাদনা ফোন অমুক তৌশিনলকইসিবো।

লৈরেনতোন্বী :- কোক হেক পায়খৎলগা কনানো য়েংঙুদনা, করি নুপানো মসিবো ফোনসিবু অদুম খিংহল্লগা থন্মীসিবো (ফোন রিং তৎখিবা)।

সনাজাউবা :- ঐগী ফোনদা সেব তৌদবা নম্বরনি লাকইসে, দরকার য়াম্না লৈবা ওইরগনা অমুক হন্না তৌজরক্কনি, খবরদুম অমুক্তা পাখিগেবা ঐঙোনদা চবেং চবেং ঙাংদুনা লৈদৌ শরুক চা অহাওবা শঙ্গোম নংলপ, চামনা কুংলপ, চীনি থুমতক তৌবা অমতদি অয়ুকসিদা পীথকপীয়ুবা ঐবু।

লৈরেনতোন্বী :- হুম, চা অথুম্বা য়াম থক্লিংবরা হায়বু দাইবেটিস নাজরনি, ঐবুদি লোনবীরক্কে চাদু (চঙখিবা)।

সনাজাউবা :- কান্নদবদা মতমসে লোয়না মাংখরে তৌরিসে, (খবর ফাকপা) খবরসিনা করি করিবু য়াওরিজাৎনো .... উম.... হৌজিক ভারতকী মফম অয়াম্বদা কাহেন্না ইংবগী অৰাবা মায়য়োক্লরে, মীওই অয়াম্বা ময়ুম ময়ুমদগী মপান থোক্লদরে, দিল্লি অমদি হরিয়ানাগী মফমশিংদা কাহেন্না লৈচিল কুংনা থাজিনখিবদগী লম্বীদা গাড়ী কয়া চৎপা য়াদদুনা পন্দুনা লৈনরে অমদি ফ্লাইট অমদি ট্রেন সার্ভিস কেন্সেল তৌখরে। রাজস্থানগী সিকারদা ইংবগী চাং -০.৫ ডিগ্রি সেলসিয়স য়ৌরে, জম্মু অমদি কাস্মিরগী মফমসিংদা ইংবগী চাং -১৬ ডিগ্রি সেলসিয়স য়ৌরে, ইংবদগী শিখিবা মীগী মশিংনা নিফুমরি শুখরে, মখোয় অয়াম্বনা ময়ুম মকৈ লৈজদবা মীওই ঙাক্তনি... ইস !মফম অয়াম্বদা য়াম্না ইংলবজাৎনিকো, ঐখোয় স্বাইদা ইংলিবসিদি মীগী লমদা ইংলিবসিগা য়েংনরুরবদি কৈসু লৈবা জাৎ নৎতেদা...। হায় লৈরেনতোন্বী ! নঙগী চাদুবু হৌজিক ফাওবা লোইদ্রিবরা হায়বনে...।

লৈরেনতোম্বী :- লোইরে লোইরে, ইংবসিদা ঈশিংসিসু পাক শৌ হায়বা য়াদদনা কুইনা চৎলিনি, হৌজিক্কী মতমসে ইংলগনা পংইংদা ইংবা, শারগনা পংশাদা শাবা অমা তৌখৎলকইয়ে, নোংজুথাদনা নোং হেক তাদা নীংথমথাগী মতমদনা নোং ফুদিৎ ফুনা তাবসু তৌখৎলকইয়ে, হৌজিক্কী অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী মওংসে ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা ওইরম্বদুগা য়াম্না খেন্নরে।

সনাজাউবা :- মসিবুনিদনা হৌজিক মালেমগী মফম খুদিংদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরে হায়দুনা মপুম খুদিংনা হায়নরিবা ঙাংনরিবা, রেডিও, টি.ভি.দা ইতৎ তৎতনা হায়রিবসে।

মোমোসনা :- তাচৌ সে, ফোন অমুক্তা ঐখোয় তায়াইনা পায়বীরকও হায়য়ে, তায়াইনা তাচৌদা ফোন তৌবসু পাইরক্তে হায়য়ে, সে রিসিপ্ত তৌরবনি।

সনাজাউবা :- হল্লো... সনামচা... ঐদি নম্বর সেব তৌদবা অমা ফোন লাক্লম্বদু নঙগী নম্বরনি খঙদদুনা পাইদ্রিবনিনে...।

সনামচা :- তাচৌ ঐগী নম্বর অতোপ্পা অমদগী তৌরকপনি অদুননি, ঐসু তাচৌ নম্বর খঙদদুনা পাইদ্রমাল্লে খন্দুনা ঐখোয় মোমোসনাদা অমুক তৌরিনি।

সনাজাউবা :- অদো নঙবু কৈদৌরগে, করি হায়গে হায়বনোনে। নোয়না কমায় কমায় তৌরিবা ?

সনামচা :- তাচৌ ! ঐখোয় দিল্লিদা থবক তৌদুনা লৈবসে নুংঙাইরক্তরে অদুনা য়ুমদা লাক্লগে অদুগা ঐখোয়গী লৌ-ইংখোলদুদা হোস্পিটাল শারগে, ঐগা মনিমচাগনা মতমসিগা চুনরবা হোস্পিটাল অমা শেমগৎতুনা মীয়াম্বু লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবা থবক কয়া পায়খৎলগে হায়ববু তাচৌহোয়না করি খল্লিবা।

সনাজাউবা :- নঙনা হায়রিবা ৰাদু য়াম্না ফবা ৰানি, ইয়াম্বসু নখোয়না মীরমদা কুইনা থবক তৌদুনা লৈবসে পামদ্রবনি অদুনা নখোয় হান্না য়ুমদা থোরকখো অদুগা ঐখোয় ময়াম পুল্লপ পুল্লগা ৰাদু ফজনা তান্নরসি।

সনামচা :- হোয় তাচৌ, ঐখোয় য়ারিখৈ য়ুমদা থুনা থোরক্লবা তৌরগে অদুদি তাচৌ ফোন থমজরগে।

সনাজাউবা :- ফরে ফরে থম্মো থম্মো (ফোন থমখিবা), মোমোসনা ! নঙগী রিছার্চ ৰার্কনা কমদৌরিবা, লোইগদবা কয়াম ৰাৎলিগে।

মোমোসনা :- তাচৌ, দাতা কল্লেক্সনদি অয়াম্বা লোইরে, কুইররোইদা লোয়শিল্লক্লনি।

লৈরেনতোম্বী :- নোয়গী ৰাদু অমুক্তা ঙাইখো, হৌজিক সনামচানা ফোনদা হায়রকইদুবো, করি ৰানো কৈদৌরে হায়রিনো?

সনাজাউবা :- মনিমচাগা সনামচাগদু সিদা লাক্লনি হায়রকই, ঐখোয়গী লৌ-ইংখোল অচৌবা অমা লৈরিবদুদা হোস্পিটাল শারগে হায়রকইবা।

লৈরেনতোম্বী :- এ ! কৈনোনে হায়রিসিবো মোয়দি ঐখোয়সিদা লৈনিংদরে, আ দিল্লিদা লৈজরুরনি হায়দুনা ফ্লেট লৈদুনা নুংঙাইনা অসুক কুইবসে নোংমতা ঐখোয়বু হন্না ফাওবা য়েংলক্তনা লৈখ্রগা, হৌজিক্না সিদা লৈরগে ঐখোয়গী লম অহাংবা অচৌবা অমা লৈরিসিদা হোস্পিটাল শারগে হায়রিসিবু, হেক্তা য়াবরনে, মসিগী ৱাফমসে ঐখোয় সনামচানা হায়বা ওইরল্লোই, মনিমচাগী থৌইনশিন শোয়দনা ওইরমগনি।

মোমোসনা :- অওইবরা হায়রিসিবো হোস্পিটাল শাবগী ৱাফমসিবো, ঐনদি ঐগী পি.এইচ.দি. ডিগ্রিসি হেক ফংবগা ঐখোয়গী ইংখোলদুদা পার্ক অমা শেমগৎকে হায়দুনা খল্লিঙৈসিদা।

সনাজাউবা :- হোয়দা হোয়দা অমুক্তা ঙায়খো নোয়বো, ঐখোয়গী ইপা-ইপুনা থম্বরিন্বা লৌফমসু ওইবা য়াবা ইংখোলসু ওইবা য়াবা মফমদু ফনা য়াম্না চাওরিবা মফমনি, ঐখোয় ময়াম পুন্না খন্নরগা হোস্পিটালসু শাসি, পাকসু শেমগৎসি, নোয় তয়াইগা নতৈমা য়াইমগদু অমুক্তা হান্না থোক্লককখিসনু।

মোমোসনা :- হোয় তাচৌ, ঐ য়ুনিভর্সিটি চৎননবা অমুক্তা লোয়শিল্লুখিগে।

সনাজাউবা :- লৈরেনতোম্বী ! নঙসু চাক্তু অমুক্তা প্রপ প্রপ থোংলুরো, ঐসু স্কুল কাবা মতম ওইশিনলক্কনি।

-ম্যুজিক-

(মফম: এয়ারপোর্ট, মতম: অয়ুক পুং মাপলমুক তারকপা মতম, মীয়াম চৎথোক-চৎশিন, গাড়ী চৎথোক-চৎশিন তৌবগী অরাংবা মখোল)

মনিমচা :- মোয়তয়াই, এয়ারপোর্টতা মোমোসনাদুবু ঐখোয় ওকপা লাক্কনি হায়রক্তাইনে, মাদি লৈবা উদেনে, ঐখোয়গী ফ্লাইট পুংখাই অমা চোন্থনা থুংলবদুদা ঙাইবা ঙমদদুনা চৎখ্রবজাৎলা মাবু।

সনামচা :- চৎলল্লোইদা অম্বাইদা লৈজরমগনি, ঐ ফোন তৌরগা হংগে (ফোন কিপেদ নম্বা)।

মোমোসনা :- তায়াই... ইতৈমায়াইমা... ঐ সিদা লৈরে, সোমদা ... সোমদা লাকও।

মনিমচা :- ঐখোয় মোমোসনাদি তু আদা লৈরে, ঐখোয়বু মখুৎ খৎতুনা কৌরিসে।

সনামচা :- ঐখোয়দি নঙ ঙায়বা ঙমদদুনা হনখ্রবরা খল্লুরে, লাকও চৎসি লাকও, য়ুম য়ৌনিংবনা লোইরে।

মনিমচা :- লাকও ইবুংঙো, ইতৈমাহোয়গী লগ্গেজসি অমুক্তা গাড়ীদা হাপচীনবীররো।

মোমোসনা :- (গাড়ীদা লগ্গেজ হাপচিনবা) য়ারে ইতৈমায়াইমা, চৎসি লাকও তাচৌগা ইতৈমগনা লাক্তরে হায়দুনা মঙক থাঙ্গৎতুনা য়েং লৈরম্লনি (গাড়ী থৌখিবা)।

সনামচা :- ঐখোয় ইম্ফালসিসু আ দিল্লিদা লৈচিল থাবা অদুমহাইনা লৈচিলগা য়াম কুংনা থারবোরে, লম্বীসিসু গাড়ীগী গাড়ী ঙাক্তা লম্বীসিসু চীনবনা লোয়রে, চহি মরি মঙাদং লাক্তবসিদা য়াম হোংলল্লেবো।

মনিমচা :- হোয়নে য়াম ওল্লেবো, লম্বীসিদা গাড়ী থৌদুনা চৎলিবা মীয়ামসিদি ওন্থোক্লা য়ামখরেদা, ঐখোয়গী ইরমসিদসু ইয়র পোল্লুসন, নোইস পোল্লুসনগী চাং য়াম্না ৱাংলল্লগনিবো।

মোমোসনা :- ইতৈমায়াইমা, হৌজিক মালেমগী মফম অয়াম্বদা এয়র পোল্লুসন, সোইল পোল্লুসন, নোইস পোল্লুসন থোক্তবা মফম লৈশিল্লক্তরে, মফম অমগা মফম অমগা পোল্লুসন থোকপগী চাং খেন্নবগী ৱা মঙাইরেদা।

সনামচা :- অসুক য়াম্বা গাড়ীশিং অসি থৌদুনা চৎপা মতমদা থাদোরক্লিবা গ্রিন হাউস গ্যাসশিং কার্বোন ডাইওক্সাইদ, কার্বোন মোনোওক্সাইদ, সলফর দাইওক্সাইদ, নাইট্রোজেন ওক্সাইদনচিংবশিং অসিনা এটমোস্ফিয়ারদা তিনশিনখিদুনা গ্লোবেল ৱার্মিং থোরকপদগী ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরক্লিবনি খঙনা খঙনা ঐখোয় মীওইবনা ফোশিল ফ্যুএল শিজিন্নবগী চাংদি অসুম অসুম ৱাংখৎলক্লি।

মোমোসনা :- ইন্টরগোর্ভনমেন্টেল পেনেল ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জ (আই.পি.সি.সি.) গী ফিফ্ট এসেস্টমেন্ট রিপোর্ট (এ.আর.ফাইব.) তা মালেমগী লৈবাক চনিরোমনা সাইন তৌদুনা ইং ১৯৫০ অদুৱাইদগী মালেম অসিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরক্লিবসিগী মরমসি চাদা ৯৫ রোমদি মীওইবগী থবক থৌরমশিংদগী ওইরক্লিবনি হায়না হায়রি।

মনিমচা :- মালেমগী শাবগী চাং অসি অসুম অসুম ৱাংখৎলকপনা মরম ওইরগা গ্লেসিয়রশিং, উনগী শরুকশিং চাং ৱাংনা শৌদোরকপদগী সমুদ্রগী ইমায় ৱাংখৎলকপা, সমুদ্রগী ঈশিং এসিদিক কাহেন্না ওইরকপা মরম ময়ামসিদগী সমুদ্র খোংবান্দা লৈবা মীওই কয়াগী পুন্সিদা অকায়বা ওইরকপা, শা-ঙা, পাম্বী কয়া মাংশিনলকপনচিংবা থোরক্লি।

সনামচা :- নোংজুগী চাংদা অকায়বা ওইরকপদগী লৌউ-শিংউবদা অকায়বা ওইরকপা, পোৎথোক্কী চাং হন্থরকপা অমদি মীওইবগী হকশেলদা অকায়বা কয়া ওইরকপদা নৎতনা লায়না মখল কয়া অমসু থোরক্লি। ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী থোরকপা অমাংবশিংসিদি নৈনবগী লোয়বা নাইররোইদা।

মনিমচা :- মোমোসনা, নঙগী রির্ছ্চ ৱার্কনা কমায় কমায় তৌরিবা?

মোমোসনা :- ইতৈমায়াইমা, ঐনা হৌজিক হৌজিক য়াম কন্না থীজিল্লিবা মতাং অসি লৈবাক অমগী শেল-থুমগী ফীভমগা গ্লোবেল ৱার্মিংগা লৈনরিবা মরিশিং অমদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ঙাকথোক্লবা ক্লাইমেৎ পোলিসিশিংগী মরমদা নৈনবা থীজিনবনচিংবশিং অসিনি, অয়াম্বনদি লোইশিল্লক্লে মথং চহিদদি থেসিস সবমিট তৌগে খল্লি।

সনমচা :- ওর্গানাইজেসন ফোর ইকোনোমিক কো-ওপরেসন এন্দ ডিভলপমেন্ট (ও.ই.সি.দি) হায়রিবা অসি ইন্টরগোভর্নমেন্টেল ওর্গানাইজেসন অমা ওইবতা নৎতনা মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবশিংগী চাওখৎ থৌরাং, শেল থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা পোল্লিসি কয়া শেমদুনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলিবা ওর্গানাইজেসন অমনি।

মনিমচা :- ইউনাইটেদ নেসন্স ফ্রেমৱার্ক কনভেন্সন ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী থবক থৌরম কয়া ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ঙাকথোক্লবা আর্থ সবমিত, ইং ১৯৯২দগী হৌরগা লেপ্পা লৈতনা এগ্রিমেন্ট, ট্রিটি অমদি পোলিসি কয়া শেমদুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরি।

মোমোসনা :- কিয়োটো প্রোটোকোল, পেরিস এগ্রিমেন্ট, কানকুন এগ্রিমেন্টনচিংবা কয়া মালেমগী থাক্তা শেমদুনা গ্রিন হাউন গ্যাস থাদোরকপা থীংনবা পোলিসি কয়া শেমদুনা লৈরে। (গাড়ী ব্রেক খংফা ফাবা) অস ! ৱারী নুংঙাইমনখিদুনা য়ুমগী থোঙ্গাল য়ৌবগা অমতা খঙহৌদরে।

সনামচা :- তাচৌ... ইতৈমা... ঐখোয় লাকএ... তাচৌ... (কন্না কৌবা)।

লৈরেনতোম্বী :- হায়মা নোয় য়ৌরকএদনা, ঙায়খো ঙায়খো মৈ অমুক্তা ওকথোকখিসি।

সনাজাউবা :- লাকও লাকও চংঙকও লাকও, ঐখোয়দি নোয় লাকমন্দবদুদা কৈদৌরজাৎনো খল্লুরে।

সনামচা :- ফ্লাইট মতমসু খরা থেংথনা থুংলবা, এয়ারপোর্টতগী য়ুম য়ৌরকপগী লম্বীসিসু ওন্থোক্লা চীনখরে, হান্নগা য়াম্না খেন্নরেবো ঐখোয়গী লমসিসু।

মনিমচা :- ইতৈবুংঙো খুরুমজরি, ইচে চাক লোইরবো ঐদি চাক লাম্বনা লোইরে, ইচেনা থোংবা চাক চাবা ফংলক্তবা য়াম কুইরে।

লৈরেনতোম্বী :- চাক্তি ঙসাইনা থোংবা লোইরবনি, নঙনা পামজবা এঙ্গাং মথেল পুন্নমক ইচেনা লোয়না থোংদুনা থল্লবনি।

মোমোসনা :- লাকও ইতৈমায়াইমা, তায়াই চাক চাথোক্লুরসি ইমুংদা চংঙসি লাকও।

সনাজাউবা :- কুইরে ইচিল-ইনাও ঐখোয় ময়াম পুল্লপ ফম্মিন্নদুনা চাক চামিন্নরক্তবা, চারো-চারো হাওবরা য়েংঙু।

সনামচা :- ঙসিগী ঐখোয় ইতৈমগী য়োংচাক আলু ইরোনবসিদি ওন্থোক্লা হাওখ্রেদা, সুমাইনা চাবা ফংলক্তবা কুইরে (চাক চাবা)।

মনিমচা :- ইতৈইবুংঙো, হোস্পিটাল শাবগী ৱাফমদুবু করি করম হায়না তৌসিগে।

সনাজাউবা :- ঐগীবুদি য়ানিংদবা করিসু লৈতে, ননাও অতোনবা মোমোসনানা পার্ক অমসু শেমগৎনিংবা মাল্লি, অদুনা নঙগী হোস্পিটালদুনা খরা মতাইওইরপ শারো অদুগা অৱাংথংবা শরুক্তুদনা মাগী পার্কতুসু শেমগৎচরসনু।

লৈরেনতোম্বী :- হোস্পিটালদুগা পার্কতুগা পুল্লপ নক্লা শেমগৎলবদি য়েংবদসু য়াম্না ফজরনি, মমিংদি করি করি থোনগনি।

মনিমচা :- হোস্পিটালদুদি ইতৈইবুংঙোগী মীং লৌরগা সনাজাউবা হোস্পিটাল হেক্তা থোল্লসি।

সনাজাউবা :- হে য়াদে য়াদে ঐগী মীং লৌরগা থোনবা হায়বদো হৌনদেকো।

মোমোসনা :- অদুদি হোস্পিটালসিনা ইমাগী মীং লৌরগা থোল্লসি অদুগা পার্কতুনা বাবাগী মমীং লৌরগা থোল্লসি।

সনামচা :- হোয়নে মদুনা হেন্না চান্নরনি, হোস্পিটালনা শঙ্গাই হোস্পিটাল অদুগা পার্কনা চাওরেল পার্ক হায়না হেক্তা থোল্লসি।

লৈরেনতোম্বী :- উম মদুমক হেক্তা থোল্লসি, ইমা বাবাবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা।

সনাজাউবা :- নোয়বু চাক ওক্লবরো, ৰারী শারিঙৈদা ঐদি ঐগী চাক শরুক্তু কমাইনা লোয়শিনখিবনো খঙহৌদরে।

সনামচা :- ঐসু ফনয়াম চাশিনখরে, ইতৈমানা থোংবা চাক এঙ্খাং চাবসিদি শিরোই নারোইদবগুম হেক খল্লি, হাওরে হাওরে।

মনিমচা :- (নোং খোংবা) কৈনো হৌজিক্কী মখোলদুবো, নোংলো খোংঙীদুবো।

মোমোসনা :- হোয়নে নোং ওইরমাল্লেনে, নীংথমথাসিদবু খঙহৌদনা নোং খোংলকইসিবো গ্যানগা পুন্মাং মাংলেদা (নোং তাবা হৌরকপা)।

লৈরেনতোম্বী :- হায়মা নোংসু তাবা হৌরক্লে, ৰাকচিং থাসিদা নোংসু অমুক কন্না তাশিনলক্লবদি ইংবনা লোইরনি।

সনাজাউবা :- অঙাংশা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী চৈথেং ফংলবনে, মালেম অসিবু কনগে হায়রবদি মালেম অসিগী শাবগী চাং হেনগৎলকক্লিবা অসি সেলসিয়স ডিগ্রি ১.৫ দগী হেন্না হেনগৎহন্দনবা হোৎনবা তাবনি।

সনামচা :- ফোশিল ফ্যুএল শিজিন্নবগী মহুৎতা য়ারিবমখৈ রিনুএবল ইনর্জি ওইনা শিজিন্নরসি।

মনিমচা :- নুপী ঐখোয়সু মালেমসিবু ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী চৈথেংদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরসি।

লৈরেনতোম্বী :- উমং-ৰামং ঙাক শেন্দুনা, উ-ৰা থাজিন্দুনা মালেম অসিবু কন্ননবা হোৎনরসে।

-ম্যুজিক-